**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-02-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিসনা কোনবা নুঙ্গাই চীংশাং পরেংদগী ঙরাং খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-কন্ত্রিমেদ রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু মঙা, বুল্লেট প্রুব জেকেট অমা য়াওরি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা লমশাং থোং মনিংদগী প্রিপাক্কী কাদর অমা ফারে। থৌবাল জিলাগী থৌবাল হাউখা মমাং লৈকাইদগী প্রিপাক্কী কাদর অমসু ফাগৎখি।

তেংনৌপল জিলাগী য়াংগৌবুংদগী ঙরাং পি.এল.এগী কাডর অহুম, প্রিপাক্কী অমা ফাগৎপা ঙমখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এন্টি নার্কোটিক্স টাক্স ফোর্স, জিলা অসিগী এদিসনেল এস.পি, ফোরেষ্ট ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা সদিম হিল রেঞ্জতা একর ৮ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎত্না মাঙহনখ্রে।

**বালতে(এল)ঃ** লৈখিদ্রবা থানলোং বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. বুংজাগীন বালতেগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা পাঙথোক্লগনি।

বুংজাগীন বালতে হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা লৈবা মেদানতা হোস্পিতালদা লৈখিদবনি। মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মিজোরামদগী মহাক্কী পোকফম লমদম মুৱালনুৱাম খুলদা থুংলখিবনি। মদুগী তুংদা মহাক্কী চুরাচান্দপুর টাউন্দদা লৈবা দোরকাস ভেংদা পুরক্কুনা মফম অদুদা

মীয়ামনা ইকায় খুমবা উৎনবগীদমক্তা থমখি। ঙসি মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কনি।

রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা ঙরাং চুরাচান্দপুরদা চৎতুনা লৈখিদ্রবা এম.এল.এগী অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

**মৈ (এল)ঃ** য়ুরেম্বম সব ষ্টেসনদগী টিদিম ৱান ফিদরদা মৈ পীরিবা থরোইজম, সলাম, লুকের, লৈতোং, হাউরং কৈরেং, মকলং, কাচিখুল, সঙাইথেলনচিংবা মফমশিং ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী পুং মরি ফাওবা মৈ ফংলোই হায়রি।

ফিদর অসিনা কোনবা মফমশিংদা ঐচ.টি. কোভর কন্দক্ট ষ্ট্রিংগীং হাপকদৌরবা অসিগী য়েংলগা মৈ পীবা ঙমলোই হায়রি।

**স্পোর্টস (এল)ঃ** অহানবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজিনস গেমস এন্দ কলচরেল মিট ঙসি ইমফালগী মপাল কাংজৈবুংদা লোয়শিল্লগনি।

থৌরম অসি ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো), মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেসরেসন (এম.এস.এফ) অমসুং য়েলহৌ মশান্না য়োকখৎ কাংলুপনা শিনবনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. জয়কুমার শরুক য়াগনি।

**অরুনাল (এল)ঃ** অরুনাচল প্রদেসকী দিল্লিগী মালভিয়া নাগরদা লৈবা নুপীমচা খরদা মফম অদুদা লৈবা মীওই অনিনা জাতি কাংলুপ শোকপা য়াবা ৱাফমশিং ঙাংলুবা অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জ্যোতির অদিত্যা সিন্ধিয়ানা অরুনাল প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-পেমা খন্দু অমসুং দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নারগা ৱারী শান্নদুনা থৌওং অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি। মহাকা হায়-খা থংবা দিল্লিগী মালভিয়া

নাগরদা লৈবা অরুনাচল প্রদেসকী নুপী অহুমদা অসিগুম্বা থৌওং চথবা অসি হকচিন্না লৌই। মহাকা হায়-তোখায় তাহনবগী ৱাফমশিং সরকার অসিনা কৈদৌনুংদসু য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

মরক অসিদা, থৌদোক অদুদা চেন্নবা নুপী অমগা নুপা অমগা দিল্লি পুলিসনা ফারে হায়রি।

**কেরলাঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা কেরলাবু কেরালম হায়না মমিং থোনবদা অয়াবা পীখ্রে।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা মতুংদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদাকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-কেবিনেটনা অয়াবা পীরবা মতুং রাস্ত্রপতিনা দা কেরলা (অলতরেসন ওফ নেম) বিল-২০২৬ কেরলা বিধান সভাদা মখোয়গী মোত লৌনবগীদমক থাদগনি। মন্ত্রিনা হায়-বিধান সভাগী পাউখুম ফংলবা মতুং কেন্দ্র সরকারনা মখা তাবা থবক লৌখৎকনি।

শ্রী অশ্বিনিনা হায়-কেরলা বিধান সভানা ইং ২০২৪ গী জ্ন ২৪ দা কেরলাবু কেরলম হায়না মমিং থোন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। মহাকা হায়-কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফিয়ার্সনা মহারাস্ত্রা, মধ্য প্রদেস,বিহার অমসুং ঝরখন্দগী জিলা ৮ কোনশিনগদবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট অহুম পায়খৎপদা অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মথক্তা শ্রীনাগর ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা সিভিল এনক্লেপ শেমগৎপদা অয়াবা পীখি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম অদুনা লৈবাক অসিদা শিংথানিংঙাই ওইনা অওনবা অমা পুরক্লিবা অসিগী য়েংলগা ভারতপু অথুবা মতমদা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অহুমশুবা ইকোনোমি ওইনবগী ফিরেপ অদু হেন্না চেৎশিলহল্লগনি।

**কেন্সরঃ** শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা নুপীশিংগী হকশেল ফগৎহন্নবা

অমসুং ঙাকথোকপা ঙম্বা কেন্সরশিং মুত্থৎনবা পান্দমদা কেন্দ্রনা অথুবা মতমদা লৈবাক শিনবা থুংবদা হ্যুমেন পেতিলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি) ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোক্লগনি।

থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী হকশেলগী লমদা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইগদৌরি। থৌরাং অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিংবু সরভাইকল কেন্সরদগী ঙাকথোকাবনি। লায়না অসিনা ভারত্তা নুপীশিংদা খ্বাইদগী নাগনবা লায়না অমা ওইরি। পাউ খরনা হায়-ভেক্সিন অসি চহি ১৪ শুরবা নুপীমচাশিংদা কাপকনি। অদুগা অখন্নবা ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসন কেম্পেইন চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা চহি ১৪ শুরবা নুপী কোতি অমা লাখ ১৫ রোম কোনশিন্নবা হোৎনগনি। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী নাগনবা কেন্সরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সরভাইকল কেন্সরনা চহি খুদিংগী অনৌবা কেস লিশিং ৮০ হেন্না থেংনরি। অদুগা মীওই লিশিং ৪২ হেন্না লায়না অসিনা শিহল্লি।

**এগ্রীঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমদি লৌমীগী য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-মথং থাগী ২১ ফাওবদা লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক রাজ্যশিংদা থাদখিবা শেনফমশিং চাদা ১০০ শিজিন্নথোক্কদবনি।

রাজ্যশিংগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা ভরচুয়েল ওইনা পাঙথোকপা মীফম অমদা মহাকা হায়-লৌমীশিংবু গ্রাস রুট থাক ফাওবদা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবগীদমক কেন্দ্রনা থাদখিবা শেনফমশিং মতম চানা অমদি নিয়ম চুমা শিজিন্নবা তঙাইফদে। মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি অনা দত্তা আই সনরক্সন অভিয়ানগী মখাদা কেন্দ্রনা লৌমীশিংগী মতেং পাংনবা শেনফম কয়া পীরি। ইং ২০২৬ কী নীংথম লৌরোক্কীদমক তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী সরকারনা মরু-মরাং কয়ামরুম লৌশিনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-চীফ মিনিস্তর মেচান্দনা প্রাইম মিনিস্তর মোদি উন্নদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর মেল, সনা লৈবাক, গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক অমসুং হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-নুমিৎ তরুকনি চুপা চথগদবা ই.দি.পি. হৌদোকখ্রে, ওন্টরপ্রেন্যুরশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌরবদি ব্যুজিনেস চাউখৎকনি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-নাগালেন্দগী ডাক্তর অমা উত্তর প্রদেসতা ওৎ নৈখরে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-মহৈরোই নোট সপ্লাই তৌরম্বা অনি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী গভনর অজয় কুমার ভালানা লৈখিদ্রবা এম.এল. এ. বুংজাগীন বালতেদা ইকায় খুমবা উৎখিবগী পাউনা পাউচে অসিগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-চীফ মিনিস্তর ৱাস. খেমচান্দনা প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি উন্নদুনা মনিপুরদা লাকবা ইনভাইটেসন পীখ্রে, সেন্টরনা আই.দি.পিশিংগী য়ুম লিশিং মঙা শাবগী অয়াবা পীরকখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-লান হৌরকপদগী মোদি উন্নদুনা ৱারী শাবা ঙম্বা মনিপুরগী মীহুৎশিংগী মনুংদা খেমচান্দ, লোসি দিখো অমসুং নেমচা কিপগেননা

অহানবা ওইরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। লৈঙাকনা আই.দি.পিশিংদা পীরিবা শেনফম হেনগৎহনবীয়ু অদুগা ঐখোয়বুসু ইয়ুমদা হননজিলহনবীরো, য়ুমদগী হেন্না নুংঙাইবা অমুক লৈত্রে হায়বা ৱাফম অমসু পাউ অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হিল হোর্ন বিন এক্সপ্রেসতা-মঙাশুবা লেফটনেন্ট কর্নেল-রোবার্ট টি.এ. মেমোরিএল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙরাং লোয়শিনখ্রে। ফাইনেল মেটচতা হিলস একাডমী এফ.সিনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।